স্পেননা জর্মনি থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে, ফ্রান্সসু স্বিদেন থোইরগা সেমীফাইনেলগী মফম কনখ্রে

সিভিল, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): যুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক পূন্নমক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা যুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচশিংদা স্পেননা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা ফ্রান্সনা স্বিদেন থোইদুনা মখোয়সু সেমীফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

স্পেননা যূম্বু ওইদুনা যুরোপিয়ন নেসন্স লীগ অসিগী গ্রুপ এ (৪)গী তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা জর্মনিবু মখোয়না ৬-০দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ১১ ফংবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা স্পেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মোরাটানা ১৭শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংখিবা ফর্নান্দো টোরেজনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৩৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৩৮-শুবা মিনটতা রোড্রিনা চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা স্পেনগী টোরেজনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। জর্মনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৭১শুবা মিনটতা টোরেজগী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জর্মনিবু স্পেননা ৫-০দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী অরোইবা মিনট য়ৌশিল্লকপদা স্পেনগী মায়কৈদগী মখা তানা ওয়ারজাবলনা পাঞ্জল ১ চল্লগা জর্মনিবু ৬-০দা থোইদুনা স্পেন সেমীফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গ্রুপ এ (৩)গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্সনা যূম্বু ওইরগা স্বিদেনগা ফ্রান্সকী সিটি সেন্ট দেনিশতা লৈবা ফ্রান্স ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনখি। মেটচকী হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ৪ শুরকপদা স্বিদেনগী মায়কৈদগী ক্লেসননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং ফ্রান্সকী মায়কৈদগী ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী ওলিভর জিরোদনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯ ৱাংলিঙৈদা ফ্রান্সকী পাবার্দনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা ২-১দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা ফ্রান্সকী জিরোদনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্বিদেনবু ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচ লোইরমদাই ৮৮শুবা মিনটতা স্বিদেনগী ক্বাইসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা গ্রুপ অদুগী রেলিগেসন তৌদনবা তাঞ্জা অমা পুশিল্লকখি। অদুবু মখোয়না পাল্লিবা ইক্বেলাইজর অদু লেমহৌবা মতম অদুদা ফংদনা লৈরিঙৈ ফ্রান্সকী কোমাননা ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা স্বিদেনবু যূম্বু লৈবাক অদুনা ৪-২দা থোইরগা গ্রুপ এ (৩)দা রাউন্দ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মকোক ওইখিবদগী ফ্রান্স সেমীফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ অদুদা ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পোর্টুগালনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইরবসু মখোয় শুপ্পগী পোইন্ট ১৩খক ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী সেমীফাইনেলগী খূদোংচাবা অদু ফংখিদে। ক্রোএসিয়া মায়থীরবসু স্বিদেনগা পোইন্ট ৩/৩দা লৈবা তারবসু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না ফজবদগী স্বিদেননা রেলিগেট তৌরগা ক্রোএসিয়াদি অদুম্মক গ্রুপ এদা লৈগদৌরি।

গ্রুপ এ (৪)গী ঙরাং শান্নগদবা যুক্রেন অমসুং স্বিটজরলেন্দগী মেটচ অদু কেন্সেল তৌখি। যুক্রেননা মেটচ মঙা শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা লৈরিবনি। অমরোমদা, স্বিটজরলেন্দনা মেটচ মঙাদা পোইন্ট ৩খক ফংলি। করিগুম্বা মেটচ অদুদা স্বিটজরলেন্দনা থোইবা তারবদি গোল দিফরেন্সতা যুক্রেন রেলিগেট তৌগদৌরিবনি।

সাউথ অমেরিকান ক্বালিফায়র

ব্রাজিল, অর্জেন্টিনা, ইক্বাদোর অমসুং ভেনিজ্বেলা মায় পাকখ্রে, পারাগুৱে অমসুং বোলিভিয়া দ্রো চৎখ্রে

মোন্টিভিদিও, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): এসিয়াগী লৈবাক কাটারনা যূম্বু ওইদুনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক সাউথ অমেরিকা ফুটবোল ফেদরেসনগী ক্বালিফায়র টুর্নামেন্টতা ব্রাজিল, অর্জেন্টিনা, ইক্বাদোর অমসুং ভেনিজ্বেলা মায় পাকখ্রে। অদুগা পারাগুৱে অমসুং বোলিভিয়া দ্রো চৎখ্রে।

পূন্না সাউথ অমেরিকান ফুটবোল ফেদরেসনগী অপূনবা টিম ১০না লম্বা তৌনদুনা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইনবগীদমক শান্নরকখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ঙরাং উরুগুৱেনা যূম্বু ওইরগা ব্রাজিলগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ওইখি।

মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী অর্থরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। উরুগুৱেনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা ব্রাজিলগী অতোপ্পা শান্নরোয় রিচার্লিসননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা উরুগুৱে পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

ক্বালিফায়র অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পেরুনা যূম্বু ওইরগা অর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌনখি। মদুদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চল্লগা মেটচ অদু থোইবা ঙমখি। ১৭শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী গোঞ্জালেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ১১ লৈরগা টিমমেট লা মার্টিনেজনা ২৮শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পেরুগী টিমসু অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা শোৎখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অর্জেন্টিনাসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা ২-০দা মায় পাকখি।

ইক্বাদোর অমসুং কলম্বীয়াগী মেটচ অদু য়াম্না চাওনা ইক্বাদোরনা ৬-১দা থোইখি। অহানবা হাফতা ইক্বাদোরনা পাঞ্জল ৪ অদুগা কলম্বীয়ানা পাঞ্জল ১ চনখি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা ইক্বাদোরগী অর্বোলেদোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং টিমমেট মেনানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৯শুবা মিনটতা চনখি। কলম্বীয়াগী মায়কৈদগী শোৎখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনদুনা লাকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈদা ইক্বাদোরগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইষ্ট্রাদানা ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং ৩৯শুবা মিনটতা অতোপ্পা ইক্বাদোরগী শান্নরোয় এরিয়াগানা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা ৪-০দা কলম্বীয়াবু মাংজিল থাখি। হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা কলম্বীয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রোড্রিগেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা টিম অদু ১-৪দা শোথরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম মখা তাবা পাঞ্জল চন্নখিদে। ৭৮শুবা মিনটতা ইক্বাদোরগী প্লাটানা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখি। কলম্বীয়াগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈত্রিঙৈ শান্নবা লোইশিল্লকপগী ইঞ্জুরি টাইমদা ইক্বাদোরগী ইষ্টুপিনাননা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৬-১দা থোইখি।

ভেনিজ্বেলা অমসুং চিলিগী মেটচ অদু অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমমম্ লৈনখি। ভেনিজ্বেলাগী মায়কৈদগী মাগোনা ৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা চিলিগী মায়কৈদগীনা ভিদালনা ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফতা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা ভেনিজ্বেলাগী রোনদোননা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

পারাগুৱে অমসুং বোলিভিয়াগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা ব্রাজিলনা পোইন্ট ১২ ফংলগা মাংজিল থারি। অর্জেন্টিনানা পোইন্ট ১০দা অনীশুবদা লৈরি।

দেল্লি হাফ মরাথোনদা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী মনুংদা স্রিনু বুগাথানা লুচিংদুনা শরুক য়াগদৌরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): চৎলিবা থা অসিগী ২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়রটেল দেল্লি হাফ মরাথোন কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী মনুংদা মমাংগী চেম্পিয়ন স্রিনু বুগাথানা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী ওইবা কাঙলুপ্তা লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী মনুংদা বুগাথাগা লোয়ননা মকোক-মথং তাননবা লম্বা তৌরকপদা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা এথলেটশিং অদুদি অভিসেখ পাল, অভিনাস সাব্লে অমসু প্রদিপ সিংহনি।

কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা অভিনাস সাব্লেনা মিটর ৩,০০০গী ষ্টিপল-চেজগী রেকোর্দ হোল্ডরনি। কুমজা ১৯৫২ ওলিম্পিক গেমসকী মতুংদা হায়রিবা দিসিপ্লিন অসিদা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা এথলেট ওইরি। অতোপ্পা এথলেট প্রদিপ সিংহনা মশাগী করিয়রদা কুমজা ২০১৮গী টাটা মুম্বাই মরাথোনদা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগী মনুংদা মহাক্না অহানবা মনা অদু ফংখিবনি।

হন্দক্কী কম্পিটিসন অসিদসু মমাংগী চেম্পিয়ন স্রিনু বুগাথাদা অকনবা লম্বাপীরক্কদবা এথলেট অমা ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসি নুপা অমসুং নুপীগী এথলেটশিংনা তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরিদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা মুম্বাই মরাথোন লমজেলদা পরুল চৌধরিনা হাফ মরাথোনগী টাইটল লৌবা ঙমখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলেট সঞ্জিবানি য়াদব, মোনিকা অথারে অমসুং চিন্তা য়াদবপু লুচিংগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি, পরুল চৌধরিনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা মুম্বাই হাফ মরাথোনগী লমজেলদা ইন্দিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। দেল্লিগী কম্পিটিসন অসি থারগা মশাগী করিয়রগী ২শুবা ওইগদৌরি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিং মখা তানা ট্রেনিং হৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): থা অসিগী ২০দগী গোৱানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাসটেদ এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিং মখা তানা ট্রেনিং চথখ্রে।

ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না ঙরাং শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা অনী পোজিটিভ ওইখিবনি। টিম অসিনা মখোয়গী অহানবা আই এস এলগী মেটচ অদু নবেম্বর ২১দা গোৱাগী টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই সিটি এফ সীগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল মতুংইন্না শান্নরোয় অনী পোজিটিভ ওইরে হেক খঙবগা মখোয় অনীমক তোঙানবা হোটেলদা চথগদৌরিবা আই এস এলগী গাইদলাইন অমসুং প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ক্বারন্টিন তৌদুনা থমখ্রে। লোয়ননা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদু ট্রেনিং চথবা হৌখিবনি। মখোয়গী ট্রেনিংশিং অদু অয়াম্বা শরুক জুম সেসন ওইনা ফিটনেসকী মতাংদা ট্রেনিং চথখিবনি। শান্নরোয় অনী পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুং অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিং টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী ঙসিদগী হৌরগা ট্রেনিং চথখি।

শান্নরোয় অমদি ষ্টাফশিংগী শাফবা অদুনা খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাং ওইবনা প্রোটোকোলশিং অদু ঙাক্না চৎলি হায়না মখা তাখি।

কমনৱেল্থ গেমসতা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট দিসিপ্লিনগী ক্বালিফায়িং প্রোসেস লাউথোকখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা ইংলেন্দনা যূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি এগবাষ্টনদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমসতা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট দিসিপ্লিনগী ক্বালিফায়িং প্রোসেস অদু ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) অমসুং কমনৱেল্থ গেমস ফেদরেসননা লাউথোকখ্রে।

যূম্বু ইংলেন্দ অমসুং আই সী সীনা শেমখিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মকোক থোংবা টিম তরুক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট কম্পিটিসন অসি অনীরকশুবা ওইনা কমনৱেল্থ গেমসতা শরুক য়ারকপনি। অহানবা কমনৱেল্থ গেমসতা ক্রিকেট দিসিপ্লিন অসি য়াওখিবা অদু কুমজা ১৯৯৮দা মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা অদুগী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবা ওইগদৌরিবনি।

মপূং ওইবা কমনৱেল্থ গেমস অদুনা ইংলেন্দগী ব্রিমিংঘম সিটিদা কুমজা ২০২২গী জুলাই ২৮দগী হৌগদৌরিবনি। অদুগা টি-২০ ৱিমেন্স ক্রিকেট দিসিপ্লিন অদুনা লৈবাক ৮না শরুক য়ারগা এগবাষ্টন সিটিদা পাঙথোক্কদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসি হৌজিক-হৌজিক আই সী সীগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইংলেন্দগী মথংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈরি। কমনৱেল্থ গেমস ক্বালিফায়রগী মায় পাক্লকপা টিম অদুনা হাঙলিবা মফম অদুদা মেনশিনগদৌরিবনি। মরুওইনা নুপীগী ক্রিকেট শান্নরিবা লৈবাকশিং অদুদি- ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া, সাউথ অফ্রিকা, ৱেষ্ট ইন্দিজ, ন্যু জিলেন্দ, স্রিলঙ্কা, পাকিস্টান অমসুং বাংলাদেশনি।

আই সী সীগী চীফ এগজেক্যুটিভ ওইরিবা মনু সোনিনা ফোঙদোকখিবদা, কমনৱেল্থ গেমস ২০২২দা নুপীগী টি-২০ ক্রিকেট দিসিপ্লিন অসি য়াওরকপা অসিনা মালেমদা মশান্না অসিদা নুপীগী হান্না লৈরম্বা ক্রিকেট শান্নবগী খোঙজেল অদু হেন্না য়াঙখৎপা ঙল্লগনি হায়খি।

হৌজিক-হৌজিক আই সী সীগী নুপী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাক মাপন লৈরি। মসিগী মনুংদা কমনৱেল্থ গেমসতা টিম ৮না শরুক য়াগদবা মরম্না আই সী সীগী রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী থাকৱাংবা ৬ অদুদি অদুম্মক ক্বালিফাই ওইরগনি। অদুগা লেমহৌবা টিম অদুগী মফম অদুগীদমক ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নগদৌরিবনি।

‘ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমসুং এ টি পি কপকী সেদ্যুল গেরেন্টি তৌবা ঙল্লোই’

মেলবোর্ন, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্টোরিয়া ষ্টেট লৈঙাক্না লৈবাক অদুদা মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমদি অতোপ্পা ইভেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এ টি পি কপকী মেটচশিং পাঙথোকপগী থাজবা থল্লি। অদুবু চপ চাবা মতম অদুদি গেরেন্টি তৌবা ঙল্লোই হায়খ্রে।

চহী খূদিংগী টেন্নিসকী লম্দা লৈরিবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ৪গী মনুংদা ইহান হানবা অদু ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিনা ওইরিবনি। জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুগী চপ চাবা মতম অদু ভিক্টোরিয়া ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা ঙল্লোই হায়রকপনি। শান্নরোয়শিংনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী মাংওইননা লৈবাক অদুদা পাঙথোক্কদবা অতোপ্পা টেন্নিসকী ইভেন্টশিং য়াওননবা লাকপা অদুদা চপ চাবা থাজবা পীবা ঙমদবনি।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রেলিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি থল্লকপনি। নীংশিংবা য়াই, ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফম অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকপদগী তোঙানবা মখোয়না শাফগদবা মফমদা পুবা ফাওবা য়াওখ্রবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসি মমাংদা টেন্নিস ওষ্ট্রেলিয়ানা জন্যুৱারী ১৮দা হৌননবা মতম লেপখিবনি। করিগুম্বা জন্যুৱারী থা য়ৌদ্রিঙৈগী মনুংদা শান্নরোয়শিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ৌরকপা ঙমদ্রবদি মখোয়না শরুক য়াগদৌরিবা ৱার্মঅপ ইভেন্টশিং অদু য়াওবগী তাঞ্জা ফংলোইদৌরি। মরমদি শান্নরোয়শিংনা মফম অদু হেক য়ৌরকপগা ক্বারন্টিনগী মতম কাইথোক্লবা চৎন-কাঙলোন লৈবা মরম্না থেংথনা লাক্লবদি শরুক য়াবা য়ারোইদৌরি। ভিক্টোরিয়া ষ্টেটতা হৌখিবা চয়োল ৩ লোম অসিদা অনৌবা কেস লাক্ত্রি।

রাফেল নদালনা মেটচ অমা মায়থীবা নংখ্রবসু এ টি পি ফাইনেলসকী সেমীফাইনেল য়ৌনবা সীসীপাস থোইবা তারি

লন্দন, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা এ টি পিগী পাঙথোকপা ফাইনেলসতা অহানবা মেটচ মায়থীরুরবসু ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা সীসীপাসপু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি।

সিজন অমা লোইশিল্লকপদা এ টি পি টুরগী তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াদুনা পোইন্ট খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয়শিং অমদি দবলসকী প্যের ৮/৮খনগৎতুনা এ টি পি ফাইনেলস অসি পাঙথোকপনি।

শান্নরোয় ৪/৪গী ওইবা গ্রুপ অনী খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনরকপদা ৱর্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মগী মখূৎতা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা টাই ব্রেক সেট অনীদা মায়থীবা নংখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা নদালনা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবকা শান্নবদা ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অনীনা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক অহুমশুবা মেটচতা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সীসীপাসপু মায়থীবা পীবগী তঙাইফদবা লৈরি।

পনবা য়াই, গ্রুপ অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা নদালবু মায়থীবা পীরবা মতুং ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা সীসীপাসপু ৭-৬ (৭-৫), ৪-৬, ৬-৩দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদগী ইহান হান্না সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি।

ষ্টিফানোস অহানবা মেটচ মায়থীরবসু অনীশুবা মেটচতা মহাক্না রসিয়াগী রুব্লেবপু সেট ২-১দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা নদালগী মথংদা অহুমশুবদা লৈরিবনি। হয়েং নদাল অমসুং মহাক্কী অথোইবা অদু গ্রুপ অসিগী ওইনা অনীশুবা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইগদৌরিবনি।

ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা গ্রুপকী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ রসিয়াগী মেদবেদেব, জর্মনিগী জ্বেরেব অমসুং অর্জেন্টিনাগী স্বার্মেন মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু শান্নগদৌরি।

দবলসকী কাঙলূপ্তা অহানবা গ্রুপতা লৈরিবা স্পেনগী গ্রানোলরস অমসুং অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোজকী প্যের মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না ক্রোএসিয়াগী মেট পাবিস অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজপু অহানবা মেটচতা থোইখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী প্যের জোন পিয়র্স অমদি মাইকেল ভেনসপু থোইদুনা মখোয়সু গ্রুপ অদুদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রসিয়ানা এন্টি দোপিংগী অথিংবা লৌথোক্লনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি

মোস্কো, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): মালেমগী শান্নবগী পুৱারীদা রসিয়াদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা লৈবাক অদুগী লৈঙাক য়াওনা শান্নরোয়শিংবু থিংখ্রবা পোৎয়ানশিং শীজিন্নবা য়াহল্লি হায়বগী মরালদা দিসিপ্লিন পূম্নমক্কী শান্নরোয়শিং ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনশিংদা অথিংবা থল্লকপা অদু রসিয়াগী মায়কৈদগী লৌথোক্লনবা পাম্বৈ কয়া থিদুনা কন্না হোৎনরি।

করিগুম্বা রসিয়াদা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোকপা ঙমদ্রবদি লৈবাক অদুগী শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা অকায়বা কয়া লাক্তুনা শান্নরোয়শিং মখা তানা শান্ননিংবগী অপাম্বা লৈরক্লোইদবগী ফীভম, লৈবাক অদুগী ফিরাল, ওলিম্পিক গেমস অমসুং ৱর্ল্ড কপ কম্পিটিসনশিংদা মশক উরক্লোইদবগী ফীভম অমা লাক্লি। নাকল অমরোমদা, রসিয়াদা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোকখিবা তারবদি মালেমগী ওইনা দ্রগ শীজিন্নবা য়েংশিন্নবা লৈরিবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (দব্লিয়ু এ দি এ)গী থবক থৌরমশিং অসি মায়থীরে হায়না লৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমসু লাক্লি।

থা অসিগী নবেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী হিয়রিং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা রসিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস লোয়রশিং ফাওবা নেক্তুনা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদা ফেবর তৌননবা থবক পায়খৎখি হায়রি। নুমীৎ মরিনি চথখিবা হিয়রিং অদুদা তোঙান-তোঙানবা লিগেল টিম ৮না রসিয়াগী ফেবরদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীশিং থল্লিবনি। মদুদা রসিয়াগী এন্টি দোপিং এজেন্সী অদুনা মখোয়গী এথলেটশিং অদুনা পর্ফোর্মেন্স হেনগৎনবা শীজিন্নখিবা পোৎয়ানশিং অদুগী মতাংদা কোমথোকপা লৈরকপা অদুগা মরী লৈননা এজেন্সী অদু থিংখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংবুসু অথিংবা থল্লকপনি।

এথলেটশিংগী লৈফম্না টোকিওদা খ্বাইদগী শাফগদবা মফম ওইগদবনি হায়না আই ও সীগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে

টোকিও, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা লৈগদৌরিবা এথলেটশিংগী ভিলেজ অদুনা টোকিও সিটিদা খ্বাইদগী হেন্না শাফগদবা মফম অমা ওইগদবনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ওফিসল অদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা ফোঙদোরকপনি। নীংশিংবা য়াবদি, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাক অমদি অতোপ্পা কম্মিটি অসিগী ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা লাক্লগা টোকিওদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীয়ামদা ওলিম্পিক গেমস অসি মথং চহীদা পাঙথোকপা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী চিংনবা লৈরিবা অদু কোক্লনবা গেমস পাঙথোকফমশিং অদু য়েংশিনখি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক্তা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী এথলেট অমসুং ওফিসল লিশিং ১১ হেন্না লাক্কদৌরিবনি। মদু হেক লোইরবা মতুং পেরালিম্পিক্সকীদমক্তা মীওই ৫,০০০ রোম নৌহৌননা টোকিও য়ৌরক্কদৌরিবনি।

থোমাস বাকনা লোয়নরকখিবা আই ও সীগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মকোক ওইরিবা ওফিসল জোন কোটসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গেমস অদুদা শরুক য়াননবা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মশীং হন্থবগী ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং অদুবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৈহনবা হায়বসি মখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইরিবনি। এথলেটশিং অদুনা মখোয়-মখোয়না শরুক য়ারিবা কম্পিটিসনশিং অদু লোইরবা মতুং নোংমা-নীনি লৈরগা ময়ূমদা হনগদৌরিবনি। মখোয়না মখা তানা লৈথবগী খূদোংচাবা লৈরোই হায়রি।

a unit of
RaDiant Group
arambai2020

Arambai2020 B2B HUB
“buyer & seller circle”

Come all local entrepreneurs,
Indigenous food producers,
local farmers sell your products with us.

We will build your product brand value,
provide marketing
assistance & also buy your products.

It's a platform for mutual benefits & also
provide you financial benefits upto 10 lakhs.

“Let us grow together”

6009952083
arambai20201@gmail.com
arambai2020

HL-B/6504/8/11-4/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com